# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কোকোমিনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালদা মনিপুর কনবা খোঙচৎ চৎকদৌরি। অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগদৌরিবা খোঙচৎ অসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরক্লি।

২) মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইন্তরনেসনেল থিয়েতর ফেষ্টিভেল- ২৫ শুবা ভারত রং মহোৎসবতা থিয়েতরগী লমদা শকাইরবা রতন থিয়ামগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী সধারন বজেৎ ২০২৬-২৭ হয়েং সংসদতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্লগনি।

**------**

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি)না শিনদুনা ঙসি ইম্ফালদা মনিপুর কনবা খোঙচৎ চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসি অয়ুক পুং ১০ দগী ইম্ফালগী তিদিম গ্রাউন্দদগী হৌরগা থাউ গ্রাউন্দদা লোইশিনগনি।

খোঙচৎ অসি য়ু.পি.এফ, ইপসা, পান্দম, অকোমলুপ, ইপাক, কে.এস.এ, লোয়ালুপ, কংলামৈ, কিল্ড, সি.এল.কে, ই.আর.বি.ও, অক্সিল, অন্দোক, এম.আই.কে.এল. অমসুং এস.ডব্লিয়ু.এগী অপুনবা লুপ-সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স কংলৈপাক অমদি তোঙানবা ক্লব অমদি সংস্থানশিংনা কোকোমিগী মনিপুর কনবা খোঙচৎ অসি মপুং ফানা শৌগৎলক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা লুরবা তানফম অসিদা মীয়াম পুমমক্কী মাংদা তারিবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমদি মনিপুরবু কনবা হায়বসিনি।

কোকোমিগী আই.পি.আর সব কমিতিগী কনভেন্নর-হিজম শ্যামচান্দনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অকনবা খোল্লাউ অমা লাউনবা শিল্লিবা খোঙচৎ অসিদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামীন্ননবা আপীল তৌরি।

মীয়ামা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবীনবা কোকোমিনা আপীল তৌরক্লি। অদুমওইনমক, মৈ, ঈশিং, অনা লায়েং, দেব কর্ম্মগা মরী লৈনবা অমদি পেত্রোল পম্পশিংদি হায়রিবা অসিদা কোনশিল্লোই হায়রি।

রতন (এল)ঃ মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ইন্তরনেসনেল থিয়েতর ফেষ্টিভেল-২৫ শুবা ভারত রং মহোৎসবতা থিয়েতরগী লমদা শকাইরবা রতন থিয়ামগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামানা কোরস রেপরটরি থিয়েতরগা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা হোৎসব অসিগী শরুক অমা ইম্ফালগী লম্বোই খোঙনাংখোঙদা লৈবা কোরস রেপরটরি থিয়েতরদা পাঙথোক্লি। রতন থিয়ামনা দিরেক্সন পীবা কনু প্রিয়া উৎখি। হয়েং ডাঃ এস. থমনৈলামানা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা লৈমারেন্বী অহিল্যা বাই উৎকনি। নিংথৌকাবা লোইশিনবা নুমিৎতা রতন থিয়ামনা দিরেক্সন পীবা কোরস রিপরটরি থিয়েতরনা শান্নবা লাইরেম্বী ঈশৈ উৎকনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউগী মতুংইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদা অকি অখঙ পীবা, নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি। ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট

জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈনৌপোক মনিং লৈরক্তগী কে.সি.পি (অপুনবা)গী মীওই অমা ফাখি। নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা অকনবা চেনশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২১৮ পুশিল্লকখ্রে। চেরোল অদুনা হায়- মীয়ামা শাশিন্নবা ভিদিও অমদি তোকঙা থাজবীগনু। অসিগুম্বা ভিদিও নত্রগা ওদিও ক্লিপশিং থাগৎলকপা মতমদা সেন্ত্রেল কন্ত্রোল রুমগী টেলিফোন নম্বর- ৯২৩৩৫২২৮২২ দগী অশেংব্রা শেংদব্রা হায়বদু খঙবা য়াগনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী হাওচোং খুলদা লম তু শেংবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- প্লাষ্টিকা থোকহল্লকপা পোল্লুসন, অমোৎ অকায় নিংথিজনা লোইশিনবা অমদি ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা পোৎশিং শিজিন্নগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবনি। থৌরম অদুদা খুল অদুগী অকোইবদা লৈবা অমোৎ অকায়শিং নিংথিনা শেংদোক্তুনা মফম চানা হুন্দোকখি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী সধারন বজেৎ ২০২৬-২৭ হয়েং সংসদতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্লগনি। লোক সভাদা সধারন বজেৎ পুথোক্লবা মতুং মসিগী কোপি অমা রাজ্য সভাদা পুথোক্কনি। ইং কুমজা ২০১৯ দা ফম অসি হেক পায়রকপদগী শ্রীমতি সিতারমন্না থংন-থংননা বজেৎ পুথোকপা অসি হু দক্কী অসিগা ৯ লক শুবনি।

বজেৎকী দোক্কুমেন্টশিং সংসদতা মসিগী ৱারোল পীরবা মতুং মোবাইল এপপ অমসুং ৱেব সাইটতা ফংগনি। বজেৎ পুথোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা শেল থুম মন্ত্রিনা ইকোনোমিষ্টশিং, ত্রেদ য়ুনিয়ন, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লম, এম.এস.এম.ইনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খঙ হৈরবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱা খন্নখি। কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্নসু বজেৎ মীফমগী মাংওইননা লৌউ শিংউ অমসুং রুরেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সধারন বজেৎ পুথোক্লবা মতুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা কলেজ মহৈরোই ৩০ রোমগা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। থৌরাং অসিগী মখাদা কলেজ মহৈরোইশিংনা লোক সভাগী গেল্লেরিদগী কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোকপা অদু হকথেংননা য়েংগনি।

শেল থুম মন্ত্রালয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌরাং অসিনা মখোয়দা চহি অসিগী ওইবা সংসদকী খ্বাইদগী শিংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং য়েংবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মহৈরোইশিং অসি কম্মর্স, ইকোনোমিক্স, মেদিকেল অমসুং ভোকেসনেল কোর্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা তল্লিবা মহৈরোইশিংনি। মহৈরোইশিং অসিনা কর্তাভ্যা ভবন ৱানদা লৈবা শেল থুম মন্ত্রালয়গী ওফিসতা চত্তুনা মফমদুদা থবক তৌরিবা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা মন্ত্রালয় অসি করমা চলাইরিবগে হায়বদু খঙহনদুনা লৈবাক অসি শেমগৎনবা হোৎনবদা ইন্সটিট্যুসনশিংনা লৌরিবা থৌদাং নিংথিনা খঙহন্নবা পান্দমদনি। অথেংবদা মহৈরোইশিং অসিগা শ্রীমতি সিতারমনগা উন্নদুনা বজেৎ অসিদা য়াওরিবা মরুওইবা হিরমশিং, মসিনা নহাশিংদা করি কান্নবা পীরি অমদি ভারতকী তুংগী ফিরেপকীদমক করি অশানবা মীৎয়েং ওইরকপা য়াবগে হায়বদুগী মতাংদা খন্নগনি।

মহারাষ্ট্র ঃ  নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্তি (এন.সি.পি)গী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী মন্ত্রি চগন ভুজবালনা হায়রি- দল অসিগী লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা দলগী অনৌবা লুচিংবা কনানা ওইগদগে হায়বদু খন্নগনি। এন.সি.পি প্রসিদেন্ট অমসুং উপ-মুখ্য মন্ত্রি অজিৎ পৱার লৈখিদ্রবা মতুং ফম অসি হাংদুনা লাকপনি। পাউ খরগী মতুংইন্না অজিৎ পৱারগী লোয়নবী সুনেত্রা পৱার ফম অসি পায়রবা য়াই হায়রি।

মরক অসিদা, এন.সি.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিসকা উন্নদুনা আজিৎ পৱারনা খঙহৌদনা লৈখিদ্রবা মতুং হৌজিক ওইরক্লিবা রাজনীতিগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং জলন্ধরদা চৎকদৌরিবা অসিগী মাংওইননা পঞ্জাবকী মুখ্য মন্ত্রি ভগৱান্ট মান সিংহনা অদামপুর এয়ারপোর্টপু শ্রী গুরু রবিদাসকী মীংদা থোন্নবা হায়রি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা শেম শাবা পুমমক লোইরে। রাজ্য সভাগী সদস্য অশোক মিতলনসু এয়ারপোর্ট অসি মমিং ওন্নবা হায়জবা লৈখ্রবনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা চহি অনিগী মমাংদা অদমপুর এয়ারপোর্ট অসি শঙ্গাখিবনি। মতম অদুদা মহাকা এয়ারপোর্ট অসি শ্রী গুরু রবিদাসকী মমিং ওনবীনবা প্রধান মন্ত্রিদা হায়জখিবা লৈরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী বজেৎ পার্লিয়ামেন্টতা মার্চ ১০ দা পুথোক্লগনি, পি.আর. অমদি পোপুলর গভর্নমেন্ট লৈবা নত্রগা লৈতবা পার্লিয়ামেন্টকী খুৎতা লৈগদৌরি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুরগী ৱাফম খন্নখ্রে, চুরাচান্দপুরদা এয়ারপোর্ট শেমগৎপগী ৱাফম লৈতে হায়না এভিএসন মিনিষ্টর মুরলিধর মোহননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- ফেব্রুৱারিগী অহানবা চয়োলদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেন্লবা য়াই, সি.এম. ওইরকপা য়াই হায়না খন্নবশিংগী মরক্তা হুন্নবসু হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা নৌনা ইরাং থোরকপা, লৈঙাক শেন্বদা খুরৌ ওইরক্কদৌরিব্রা হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- অৱাং নোংপোক্কী চাওখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিমগী লুপা কোতি লিশিং ৯,১৯৫ কাইথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী চীংখোঙ চীংয়াদা কুকি শু গ্রুপশিংগী দিজিগনেতেদ কেম্প থমলোইদবনি হায়বা ফিরেপ চেৎশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা

অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গভর্নরনা লুচিংদুনা মহাত্মা গান্ধি অমসুং ফ্রিদম ফাইটরশিংবু ইকায় খুমখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাজ্য সভাগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইটতা মণিপুরী লোল য়াওরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- নাগাগী এরিয়াদা এনিমেল রোড লৈবা য়ারোই হায়না জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মণিপুরদা পোপুলর গভর্নমেন্ট শেম্বগী ৱাফম লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এন.বি উখ্রুল লুট তৌখিবগী কেসকী চার্জসিট এন.আই.এনা থাগৎলকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- নোর্থ ইষ্টকী চাওখৎ থৌরাংগীদমক সেন্তরনা ২০২১ দগী হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি লাখ ৩ লিশিং ৪৬ হেনবগী শেনফম কাইথোকখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোং মিনি সেক্রেটরিয়েটতা মারটিয়র্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- সুপ্রিম কোর্টনা মহৈরোই নুপীমচাশিংগী মেন্সট্রুয়েল হাইজিন পোলিসি থা অহুমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকবা স্কুলশিংদা খঙহনখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- ইম্ফালদগী কোলকাতা-গুৱাহাতি-মুম্বাই চৎকদবা স্পাইস জেটকী সার্ভিস মথং থাগী ১০ দগী হৌরগনি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------